# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,MONDAY, DECEMBER 5, 2016 PAGE 7




এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাংথোকখিবা ৫ শুবা ষ্টেট ক্রোস কন্ত্রি চেম্পিয়নসিপ্তা চহি ২০ মখাগী নুপামচাগী টাইটল লৌখ্রবা এল এস এ গী ইকবাল হুসেন (ওই) অমসুং নুপীমচাগী চহি ১৬ মখাগী টাইটল লৌখ্রবা চপ মান্নবা টিমগী অস্মান নেসা (য়েৎ)



## ৬০ শুবা সি সি মিট ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

### এ এফ সি না কে এফ সি বু ১–০ অহৌবা নুমিৎতা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ৬০ শুবা সার চুরাচন্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা অসিজোনেং ফুটবোল ক্লব চুরাচন্দপুরনা কতোমৈ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাকপাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু পাউলেমসিয়ম ভাইফৈনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা পেনালটি অমগী মতেংদগী চনবা ঙমখি।

পেনালটি অদু কে এফ সি গী গোল কিপর লালটিনমাং মিসাওনা এ এফ সি গী পাউলেমসিয়মদা ফাউল তৌরুবদগী রেফরিনা স্পোর্ট কিক অমা এ এফ সি গী ফেবরদা পিখিবনি।



শান্নখিবা মেটচ অসি এস কেনেদিনা সেন্টর রেফরি, লাটিফ অমদি রাজেসনা এসিসটেন্ট রেফরি, জয় সিংহ মোনশাংনা ফোর্থ ওফিসিয়েল অদুগা এস রামেসশ্বরনা মেটচ কমিসনর ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সরকারগী কনসলটেন্ট ডাঃ আর কে নিমাই সিংহ অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বা সিংহ না চিফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১২.০৫ দা জেৎ এফ সি তামেংলোং অমদি ৱাই য়ু এফ সি অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

## ৬২ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ফুটবোল টুর্নামেন্ট

### য়ুম্বু মণিপুরনা ছত্তিগরবু ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা চথরক্লিবা ৬২ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস চহি ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–এ গী মেটচ অমদা য়ুম্বু মণিপুরনা ছটিসগরবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি স্কুল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদা পাংথোক্কুনা টিম ১৯ না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

মণিপুর অমদি ছটিসগর অনীনা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরগী টি ঐচ বিবিসনা না শান্নবগী ১০ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনশিনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা এন বোরকৈনানা শান্নবগী ১৬ শুবা মিনটতা মণিপুরগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি।

কস্মিনানা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা মণিপুরগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৪–০ দা অহানবা হাল্ফতা লিদ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা বিবিসানানা ৫৪ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখিবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৫–০ দা ছটিসগরবু মায়থিবা পীখি।



চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি খুমন লম্পাক প্রাক্টিস ফিল্ডদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ছটিসগর অমদি গুজরাট গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

ছটিসগরগী গোল অদু নিদি সুরিয়া ৱাম্ভিনা ২৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা গুজরাটকী গোল অদুনা মান্দকিনি কাটাদিক্লা ৩৩ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ওদিরা অমদি ত্রিপুরা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ত্রিপুরানা করনাটাকাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

ত্রিপুরাগী গোলশিং অদু প্রিটি জমাটিয়া, রুপাপটি জমাটিয়া অমসুং অমিতা উরংনা শান্নবগী ৪, ৬২ অমসুং ৬৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চান্দিগরনা বিদ্যভরটিবু পাঞ্জল ১২–০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চান্দিগরনা মাহারাষ্ট্রবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাবনা সি বি এস সি বু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

চপ মান্নবা মফমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বিহারনা অন্ধ্র প্রদেসপু ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা মধ্য প্রদেসনা বিহারবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

চপ মান্নবা গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মফমদা শান্নখিবা মেটচ অমদা তামিলনাদুনা মধ্য প্রদেসপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

## এস ঐচ রোমেসনা ৫ শুবা ষ্টেট ক্রোস কন্ত্রি চেম্পিয়নসিপকী টাইটল লৌখ্রে



*নুপাগী ওপন কেতেগোরিদা মেডল ফঙখ্রবা এস ঐচ রোমেস, ইনাওচা অমদি পেমকুমার শর্মা (ওইদগী য়েৎ)*

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ ঃ

এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি পাংথোকখিবা ৫ শুবা ষ্টেট ক্রোস কন্ত্রি চেম্পিয়নসিপ্তা ঐচ ৱাই সি হাওরৈবিগী এস ঐচ রোমেসনা ৩৬ঃ৪৬.২৯ মিনটতা লমথুংফম য়ৌদুনা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

চপ মান্নবা টিমগী ও ইনাওচানা মিনট ৩৭ঃ০৯.৫৬ তা লমথুংফম য়ৌদুনা অনীশুবা পোজিসন অদুগা এস আর ও ৱাই গী পি ঐচ পেমকুমার শর্মানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা চহি ২০ মখাগী জুনিয়র নুপামচাগী কাংলুপ্তা এল এস এ লিল্লোংগী এম দি ইকবাল হুসেননা অহানবা অদুগা ঐচ ৱাই সি হাওরৈবিগী কে চাইমন্না অনীশুবা অমসুং চপ মান্নবা টিমগী এন তোকিয়োনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

চহি ১৮ মখাগী নুপামচাগী কাংলুপ্তা এল এস এ লিল্লোংগী ৱাই এম সবির অহমদনা অহানবা অদুগা দব্লিউ এস সি ঙাইরংবমগী সি ঐচ সুরেস অমদি কে অরুনকুমারনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখ্রে।

চহি ১৬ মখাগী নুপামচাগী কাংলুপ্তা এস আর ও ৱাই শিংজমৈগী ৱাই অর্জিৎনা অহানবা অদুগা এল এস এ গী এম দি চিংগীস খান্না অনীশুবা অমসুং দব্লিউ এস সি গী এল রুপাচন্দ্রনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

অতোপ্পা চহি ১৬ মখাগী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা এল এস এ গী অসমন নেসানা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা তোঙান তোঙান্না কেতেগোরিদা মকোক মথং তারখ্রবশিংনা লাক্কদৌরিবা জানুৱারি ১৪ অমদি ১৫ দা বিলাইদা পাংথোক্কদৌরিবা ৫১ শুবা নেসনেল ক্রোস কন্ত্রি চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়ারগনি।

## এম সি এ চেলেঞ্জর ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬

### মণিপুর ব্লুনা য়েল্লোবু রন ৫৬ তা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লুৱাং শংবমদা লৈবা লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চেলেঞ্জর ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ঙসি হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা মণিপুর ব্লুনা মণিপুর য়েল্লোবু রন ৫৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ব্লু টিম্না তোচ ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌখি।

অহানবা বেটিংদা মণিপুর ব্লুনা ওভর ৩৮.১ দা ওল আউত ওইদুনা রন ১০৮ স্কোর তৌবা ঙমখি।

মণিপুর ব্লুগী মাইকৈদগী রাজেস ঙাংবম অমদি সুনিল বোসনা রন ১০–১০ স্কোর তৌবা ঙমখি। অদুগা মণিপুর য়েল্লোগী বোল্লর কবির, রাজু অমদি অকসে কুমারনা ৱিকেট ২–২ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী শান্নবদা মণিপুর ব্লুগী বোল্লরশিংনা য়েল্লোগী বেটচমেনবু ওভর ২৫.১ দা ৱিকেট লোইনা লৌদুনা রন ৫২ খক পীদুনা য়েল্লো টিমবু রন ৫৬ তা মায়থিবা পীখিবনি।



ব্লু টিমগী বোল্লর থোমাস অমদি সেনেটনা ৱিকেট ৩–৩ অদুগা ৱিল্লিয়মনা ৱিকেট ২ অমসুং প্রিয়োজিৎনা ৱিকেট অমা লৌবা ঙমখি।

য়েল্লো টিমগী বেটচমেন করনজিৎ অমদি সসিকান্তনা রন ৮ লৌবা ঙমখ্রে। লোইশিল্লকপদা মণিপুর ব্লুগী কঙাংবম প্রিয়োজিৎনা মহাক্কী রন ৩১ অমসুং ৱিকেট অমা লৌখিবা অদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

হয়েং মণিপুর গ্রিন অমদি মণিপুর রেদ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

## শওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লবনা জাদোনাং নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১০ শুবা ইদিসনগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ ঃ

জেলিয়ারোং ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থাংমৈবন্দগী থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরকপা ১০ শুবা জাদোনাং নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা শওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লবনা নমদুনলোং য়ুঠ ক্লবপু ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৩১ না গ্রুপ ৮ থোক্লা শরুক য়াদুনা নভেম্বর ৫ দগী হৌরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচদা শওম্বুং সাইরেম্মা নমদুনলোং য়ুঠ ক্লবপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

শওম্বুং সাইরেমগী গোলশিং অদু পালমৈ লানরাইলুং, পালমৈ দিঙম্পু অমসুং পালমৈ রম্বোনা শান্নবগী ১৯, ৭২ অমসুং ৮০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অদুগা নমদুনলোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পৌগাকদাই কামৈনা ৬২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।



শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরি এস সুরেসনা শান্নরোই ৫ মায় পাকখিবা টিমগী পালমৈ গাইথৌদাই, পালমৈ দিঙম্পু, পালমৈ লালচালুং শান্নবগী ২১, ৪২ অমসুং ৬১ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অদুগা লমদুনলোংগী মনাপৌ দাংমৈ অমসুং গাইপুলাং দাংমৈ ২৮ অমসুং ৬৯ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা দুইথাংজাং য়ুঠ ক্লবনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফঙখি।

নমদুনলোংগী পৌগাকদাই কামৈনা বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনা ফঙখি। অদুগা শওম্বুং সাইরেমগী গোল কিপর গোলমৈ দিহেম্মা বেষ্ট গোল কিপরগী মনা অমসুং গাইদিমজাং ফুটবোল ক্লবকী জিয়ানগোংরৈ দাংমৈনা গোল ৮ চন্দুনা তোপ স্কোররগী মনা ফঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবা শওম্বুং সাইরেম্মা লুপা লাক্ষ অমগী কেস এৱার্দ অমসুং ত্রোফি অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা নমদুনলোংনা লুপা লিশিং ৫০ গী শেলগী মনা অমসুং ত্রোফি ফঙবা ঙমখি।

## মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্ট গোল্ডন জুবলি সেলেব্রেসনগা লোয়ননা পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ ঃ

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা বৈগ্যাচন্দ্র ওপন ইয়র থেতরদা ৫০ শুবা সেনিয়র, ৪৪ শুব জুনিয়র, ২৬ শুবা মাষ্টর, ১৫ শুবা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ, ৮ শুবা ৱুমেন ফিটনেস, অহানবা ৱুমেন বোদি বিল্ডিং অমসুং মেন ফিজিক চেম্পিয়নসিপ ফোর মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্ট পাংথোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা থোংজগী এম এল এ থোংঙাম বিশ্বরজিৎ সিংহ, অমভাগী প্রসিদেন্ট লোইতোংবম মালেম সিংহ, এসিয়ন ফিদরেসন ওফ বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস জেনরেল সেক্রেটরী ডাঃ সঞ্জয় মোরে, ইন্টরনেসনেল বোদি বিল্ডিং ফেদরেসনগী জজ কম্মিটিগী চিয়রমেন জি বি গিরি, কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরী বেন্নি ফ্রান্সিস, সোসিয়েল এক্টিবিস আর কে সিবা চন্দ্র সিংহ, অমভাগী প্রেট্রোন মেম্বর খুরাইজম রতনকুমার সিংহ, মণিপুরগী ইহান হান্নবা মিষ্টর ইন্দিয়াগী টাইটল লৌখিবা এন মাইপাক সিংহ অমসুং অমভাগী হান্নগী সেক্রেটরী টি নবাকুমার সিংহ না চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## উসেন বোল্‌ত অমসুং অলমাজ অয়ানা এথলেত ওফ দি ইয়র এৱার্দ ফংখ্রে

মানাকো, দিসেম্বর ৪ ঃ

জমাইকাগী উসেন বোল্‌ত অমসুং ইথিওপিয়ন দিস্তেন্স রন্নর অলমাজ অয়ানা আই এ এফ এফকী এথলেত ওফ দ ইয়র এৱার্দ থাংজ নুমিৎতা পীখ্রে।

বোল্‌তনা শোকপা পনবদগী সিজন অসিগী অয়াম্বা শরুক য়াওবা ঙমজখিদ্রবসু মহাক্কী অঙকপা পোক্লবা মিতর ১০০, মিতর ২০০ অমসুং ৪০০ মিতর রিলে গোল্ড অহুম অহুম লৌদুনা লাকপদুগী অহুম্লকশুবা অগস্ত থাদা পাঙথোকখিবা রিও গেমদা লৌখি অমসুং এৱার্দ অসি তরুক্লকশুবা ওইনা লৌখি।

মহাক হিত য়াওনা হায়রিবা দিস্তেন্স পূন্নমক অসিদা সিজন চুপ্পা মায়থীবা নংদনা চঙশিনবসু ঙমখি।

অয়ানানা শাংলবা চহী ২৩ থুগায়বা ঙমদনা লৈরমখিবা মিতর ১০,০০০ গী ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়খিবা মতমদা মহাক্না রিও ওলিম্পিক্তা পাঙথোকপা এথলেতিক্সকী অহৌবা নুমিত্তা ভাবকশিং অঙকপা পোকহনখি। মহাক্কী মিনত ২৯ গা সেকেন্দ ১৭.৪৫ চেনখিবা মতম অদুনা চাইনাগী ৱাং জুনজিয়ানা ইং ১৯৯৩ দা থম্লমখিবা ৱর্ল্ড মার্ক ২৯ঃ৩১.৭৮ সেকেন্দ অদু থুগায়খি। অয়ানা রিও গেমসগী মিতর ৫০০ দা ব্রোঞ্জ লৌবসু ঙমখি। মসিনা দিস্তেন্স অসিদা চহী অসিগী মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা মায়থীবনি। মহাক মদুগী দিসিপ্লিন অসিনা দাইমন্দ রেসতা ৱিন্নর ওইরগা চহী অসিগী চেনবা লোইশিনখি। মহাক্না জেনজিবে দিবাবা (২০১৫) অমসুং মেসেরেত দেফার (২০০৭) গী মতুংদা আই এ এ এফ এৱার্দ ফংবা অহুমশুবা ইথিওপিয়ান নুপী ওইখ্রে। কনাদাগী রিও মিতর ২০০ সিলভর অমসুং মিতর ১০০ গী ব্রোঞ্জ মেদলিস্ত চহী ২১ দা ঙাইরিবা এন্দ্রি দি গ্রেসিনা মেল রাইজিং স্তার ওফ দ ইয়র তাখিবগা লোয়ননা রিও ওলিম্পিক্তা হেপতাথলোন চেম্পিয়ন ওইখিবী বেলজিয়ন নেফিসাতো থিয়মনা নুপীগী এৱার্দ লৌখি।